# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, JULY 13, 2019 PAGE 7




স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বার্সেলোনাদা শরুক য়ানবগী শেম শাখ্রবা জপানগী এটেক্কিং মিডফিল্ডর মশাগী চহী ২০ শুরবা হিরোকী অবে

মমাঙদা ইংলেন্দ নেসনেল ফুটবোল টিমগী ষ্ট্রাইকর ওইরম্লবা অদুগা মশান্না অসিদগী পোত্থারগনি লাওথোকখ্রবা পিটর ক্রোচ




# ইন্দিয়াগী লিফটর অজয়না কম্মনৱেল্‌থ ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা অনৌবা রেকোর্দ থমদুনা গোল্ড লৌখ্রে

*এপিয়া, জুলাই ১২(এজেন্সি)ঃ*
ইন্দিয়াগী নুপা ৱেঠলিফটর অজয় সিংহনা সামোৱা আইলেন্দগী কোনুং এপিয়াদা চথরিবা কম্মনৱেল্‌ঠ ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপকী কেজি ৮১ গী কেটেগোরিদা অনৌবা রেকোর্দ থমদুনা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

মশাগী চহী ২২ শুরবা ইন্দিয়াগী নুপা ৱেঠলিফটর অজয় সিংহনা কেজি ৮১ গী কম্পিটিসনদা ক্লিন এন্দ জর্গতা মশাগী অরুন্বদগী শরুক হেন্না কেজি ১৯০ থাঙ্গৎতুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অনৌবা রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা ওলিম্পিক ক্বালিফাইয়িং ইভেন্ট অসিদা য়াম্না ফজবা ঙমখ্রে।

এসিয়ান য়ুঠ অমদি জুনিয়র ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী অজয় সিংহনা কম্মনৱেল্‌ঠ ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেজি ৮১ গী কম্পিটিসন অসিগী স্নেটচতা কেজি ১৪৮ পুন্না কেজি ৩৩৮ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।



গোল্ড মেডল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটর অজয় সিংহ

ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটর অজয় সিংহনা ঙসি থাঙ্গৎখিবা অরুম্বা অসিনা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ওইরি। নীংশিংবা য়াই, চহী অসিগী এপ্রিল থাদা চাইনাগী সিটি নিংবোদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা অজয় সিংহনা স্নেটচতা কেজি ১৪২ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১৭৮ পুন্না কেজি ৩২০ থাঙ্গৎপা ঙমখিবা অদুদগী ঙসি থাঙ্গৎখিবা অদুনা কেজি ১৮ হেনবা ঙমখি।

নুপাগী কেজি ৮১ কেটেগোরি অসিগী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ৱেঠলিফটর পাপুল চাংমাইনা স্নেটচতা কেজি ১৩৫ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১৮৭ পুন্না কেজি ৩১৩ থাঙ্গৎপা ঙমদুনা সিলভর মেডল লৌখি। পাপুল চাংমাই চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা সেনিয়র নেসনেল ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

কম্মনৱেল্‌ঠ ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৮৭ গী কম্পিটসনদা ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটর পি অনুরাধানা স্নেটচতা কেজি ১০০ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১২১ পুন্না কেজি ২২১ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী কেজি ৮৯ গী কম্পিটিসনদা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী গোল্ড মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী আর ভি রাহুলনা স্নেটচতা কেজি ১৪৫ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১৮০ পুন্না কেজি ৩২৫ থাঙ্গৎপা ঙমদুনা সিলভর মেডল লৌখি।

# ইন্দিয়ানা ঙসি নোর্থ কোরিয়াগা শান্নরগনি

*অহমেদবাদ, জুলাই ১২(এজেন্সি)ঃ*
ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা ইন্টরকন্টিনেন্টেল কপকী ঙসি শান্নগদবা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম্না নোর্থ কোরিয়াগী টিমগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা য়ুম্বু ইন্দিয়াগা লোয়ননা টাজিকিস্থান, সিরিয়া অমদি নোথ কোরিয়াগা লম্বা তৌনগনি। গী চৎন–পথাপকী মতুং ইন্না টিম অমনা মেটচ ৩ / ৩ শান্নরবা মতুং মকোক থোংবা টিম অনীনা ফাইনেলগীদমক লম্বা তৌনগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী ইদিসনদা ইন্দিয়ানা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা টাজিকিস্থানগা শান্নখিবদা গোল ২–৪ দা মায়থিবা নংখিবনি। মেটচ অসিদা সুনিল ছেত্রিনা অহানবা হাল্ফতা গোল অনী চনবা ঙমখি। অদুবু টাজিকিস্থাননা অনীশুবা হাল্ফতা গোল ৪ চন্দুনা মেটচ অদু মায় পাকখিবনি।

ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক নোর্থ কোরিয়াগা হয়েং শান্নগদবা মেটচ অমদি থা অসিগী ১৬ তা সিরিয়াগা শান্নগদবা মেটচ অনীমক মায় পাকপগী মথৌ তারি।

# ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী জোকোভিস ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী ৬রকশুবা ওইনা ফাইনেল চঙখ্রে

*লন্দন, জুলাই ১২(এজেন্সি)ঃ*
ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা চথরিবা চহী অসিগী খ্বাইদগী চাওবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জেকোভিসনা স্পেনগী বোটিষ্টা আগুটপু মায়থিবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৬লকশুবা ওইনা ফাইনেল চঙখ্রে।

ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ২৩শুবা সিদেদ স্পেনগী বোটিষ্টা আগুটপু সেট ৩–১ দা মায়থিবা



পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি।

অহানবা সেট জোকোভিসনা ৬–২ দা থোইদুনা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেটনা বোটিষ্টানা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি। মখা তানা শান্নরকপা সেট অনীদা সর্ভিয়াগী জোকোভিসনা স্পেনগী বোটিষ্টাবু য়াম্না লায়না ৬–৩, ৬–২ দা মায় পাকখিবদগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ৬লকশুবা ওইনা ফাইনেল চঙলকখি।

ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ কলম্বীয়াগী পেয়র সেবাষ্টিয়ান কবাল অমদি রোবার্ট ফারাহনা ১১শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী নিকোলাস মাহুট অমদি রোজর ভেসেলিনগা লম্বা তৌনরগনি।

কবাল অমদি ফারাহনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ সাউথ অফ্রিকাগী রাভেন ক্লাসেন অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী মাইকেল ভেনসপু ৬–৪, ৬–৭(৪–৭), ৭–৬(৭–২), ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

# কোটিফ কপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম লাওথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১২(এজেন্সি)ঃ*
মথং থাদা স্পেনদা পাঙথোক্কদৌরিবা কোটিফ কপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী মেম্বর ২২ না শাবা নুপী ফুটবোল টিমগী স্কৱাদ ঙসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না লাওথোকখ্রে।

শান্নরোই ২২ গী মনুংদা হেদক্তা কোচ মেমোল রোক্কী অমদি এসিষ্টেন্ট কোচ চাওবা দেবীগা মত খেন্নবদগী নেসনেল টিম বোইকোট তৌখিবদা য়াওখিবা মণিপুরগী ফুটবোল্লর বালা দেবীসু য়াওরি। মহাক এ আই এফ এফনা জুন থাদা পাঙথোকখিবা প্রিপেরেটরি কেম্পকীদমক কৌখৎখিবনি।

বালা দেবী হন্দক্তা লোইশিনখিবা ইন্দিয়ান ৱুমেন’স লীগতা মণিপুর পুলিসতা শরুক য়াদুনা মেটচ ৭ শান্নখিবদা গোল ২৬ চন্দুনা টোপ স্কোরর ওইবা ঙমখিবনি।

দিফেন্দর দালিমা চিবর, মিডফিল্ডর ইন্দুমাথি অমদি ষ্ট্রাইকর সন্ধ্যা কমারাজ কোটিফ কপকী স্কৱাদ অসিদা য়াওবা ঙমখিদ্রে। জুন থাদা ন্যু দিল্লিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা প্রিপেরেটরি কেম্প অদুদগী ক্রাইষ্টেল পিন্টো, অর্চনা, লাকো ফুটি, কোমল কুমারী অমদি সুমিথ্রা কমারাজ মাঙজৌননা মপান থোকখ্রবনি।

কোটিফ কপ্তা শরুক য়ানবগী খনগৎখ্রবা ইন্দিয়াগী মেম্বর ২২ না শাবা স্কৱাদ অদুদি– গোলকিপরদা লিম্ছোইঙম্বী দেবী, আদিতি চৌহান অমদি সোমিয়া নারায়নস্বামীনি। দিফেন্দরদা আশালাতা দেবী, স্বিতি দেবী, জাবামনি তুদু, মাইকেল এম কাষ্টানহা, য়ুম্লেম্বম পাকপী দেবী অমদি সামিকসানি।

মিডফিল্ডরদা সঙ্গিতা বাসফোর, সঞ্জু, রঞ্জনা চনু, মনিসা, রিতু রানি অমদি রতনবালা দেবীনি। ফোরৱার্দতা অঞ্জু টামাং, বালা দেবী, দাংমৈ গ্রেস, অনুস্কা সামুয়েল, রেনু, দায়া দেবী অমদি রোজা দেবীনি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম ঙসি নৌনা লাওথোরকখিবা ফিফা রেঙ্কিংদা মফম ৬ হাইগৎলগা ৫৭শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে। ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম এসিয়াগী ওইনা ১১শুবা পোজিসনদা লৈরি। এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মনুংদা ওষ্ট্রেলিয়ানা নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈরি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ৮শুবদা লৈরি।

# প্রনোই অমদি সৌরভ য়ু এস ওপন বেদমিন্টনগী ক্বার্টর ফাইনেলদা শান্নরগনি

*ফুল্লরটন, জুলাই ১২(এজেন্সি)ঃ*
য়ু এস এগী সিটি ফুল্লরটনদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা য়ু এস দোল্লর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা য়ু এস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনী প্রনোই অমদি সৌরভ শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা প্রনোইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী হিও ক্বাং হিবু ২১–১৬, ১৮–২১, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

প্রনোইগা ক্বার্টর ফাইনেলদা শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়াগী সৌরভ ভর্মনা টিমমেট লক্ষ্য সেনবু ২১–১১, ১৯–২১, ২১–১২ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা সাউথ কোরিয়াগী লি দোং কিয়ুননা জপানগী কে ৱাটানবেবু ২০–২২, ২১–১৩, ২১–১৭ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

য়ু এস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা নম্বর ৱান সিদেদ কানাদাগী মিচেল লিনা য়ু এসকী শান্নরোই সিপানবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৭, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী কিমসু অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী এফ দিপ্রেজবু ২১–১৬, ২১–১৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

# দিপিকা কুমারী টোকিও ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্টতা মরিশুবা তাখ্রে

*টোকিও, জুলাই ১২(এজেন্সি)ঃ*
জপানগী কোনুং টোকিওদা লৈবা য়ুমেনোসিমা আর্চরি ফিল্ডদা পাঙথোকখিবা টোকিও ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্টকী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নুপী আর্চর দিপিকা কুমারীনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা মরিশুবা পোজিসন তাখ্রে।

দিপিকা কুমারীনা মিক্স পেয়র ইভেন্টকী পোইন্ট ৭২০ ফংবা য়াবগী মনুংদা সোট ৬৬৮ কাপ্পুনা নোক আওট রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। টিমমেট অতানু দাসনা নুপাগী কাঙলূপ্তা ১৯শুবা পোজিসন তাখি।

ইন্দিয়াগী পেয়র দিপিকা কুমারী অমদি অতানু দাসনা টিম ১৬ লৈখিবা দ্রোগী অহানবা রাউন্দদা ১৩শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবা কলম্বীয়াগী পেয়র দানিয়েল পিনেদা অমদি অনা মারিয়াগা লম্বা তৌনগনি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী আর্চর লাইশ্রম বোম্বেলা দেবী অমদি কোমালিকা বারি মথংশিংনা ১১শুবা অমদি ৪৮ শুবা পোজিসন তাহৌখি। নুপাগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী আর্চর প্রভিন জাদব অমদি তরুনদিপ রাইনা মথংশিংনা ৩০শুবা অমদি ৫২শুবা পোজিসন তাখি।

মালেমগী লৈবাক ২৯ দগী লাকপা আর্চর ১৩১ না টোকিও ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্ট অসিদা লম্বা তৌনগনি। মফম অসিমক্তদা মথং চহীদা সম্মর ওলিম্পিক্স অমদি পেরালিম্পিক গেমস পাঙথোক্কদৌরিবনি।

# ‘টাটা ট্রষ্টকী সেন্টর ওফ এক্সেলেন্স ফোর ফুটবোল লিংবদা তপথরিবা করিগীনো–? লৈঙাক্না অম্ফাবু মীরাইব্রা–?’

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) ২০১৯–২৩ টার্মগী থৌ পুন্নবা খনবগী মীখল (ইলেক্সন) পাঙথোকপগী মতাংদা রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ মণিপুরগী অয়াবা অমদি চঙগনি করিগুম্বা অয়াবা পীরক্ত্রবদি কমদৌগনি হায়বগা লোয়ননা নিয়ম চুম্না পাঙথোকপা ইলেক্সন অমদি মথৌ তাগনি, লৈঙাক্কীদি ৱারোইশিন অমগীদমক তৌফম থোকপা তৌরক্কনি হায়বা ৱাফম মমাঙ থাংজদা পাওচেসিগী কলমসিমক্তদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

মতুং তারকপদা হৌজিক লৈরিবা অম্ফা কাওন্সিলগীদি অয়াবা পীরক্কেরা পীরক্লোইদ্রা ইলেক্সন পাঙথোক্লনবা রির্টনিং ওফিসার হাপ্পগী পাও অদুমক থেংনরে পাওচেসিংদা। মরকসিদা অম্ফানা ইলেক্সন পাঙথোক্লবা অয়াবা পীবীয়ু হায়না চে ইরুবসু রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজনা অয়াবা পীরকখিদ্রে হায়বগী পাওসু অদুমক থেংনরি লোয়ননা রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজনসু তৌফম থোকপা অমা ওইনা রির্টনিং ওফিসার হাপ্পগী পাওসু অদুম থেংনৈ। অম্ফাগী চৎলিবা টার্ম অসিমদি কাংখোং চায়রবা টার্ম অমা ওইরি হায়বদুনি অদুগা অম্ফাগী থৌ পুনবা থৌমী খনবগী ইলেক্সন হায়বসিসু ফম পায়নিংবা ময়ামগী অকনবা লাল অমনি হায়বা তারে।

ইলেক্সনগী ৱাফমসি তোঙান্না থমখ্রগা লমদমসিগী ফুটবোল দিভলপমেন্টকীদমক অম্ফা অসি মশাগী তরু তনানবা ওফিস বিল্ডিং লৈজবগা লোয়ননা য়াম্না মতিক মগুন লৈবা মীনা ইকাই খুম্নবা, থাজবা মাঙহনদবা অম্ফা ওইবা তাই। অম্ফাগী মতম মতমগী থৌমী খুদিংমক ফুটবোল মশান্নগা মরী লৈনবা ঈ–পাও খূদিংমক্কী জ্ঞান অপদেট ওইনা খঙবা তাই, য়াম্না ইনরজেটিক ওইবা তাই অমদি পুকচেল শেংনা থবক তৌবা তাই। অম্ফা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনদা অমদি ওল মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসন্দা এফিলিয়েট তৌবা মণিপুরগীনা ফুটবোল মশান্নগীদমক খ্বাইদগী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ষ্টেট লেবেলগী থাক্তা লৈবা ফুটবোল এসোসিয়েসন অমনি। অম্ফাদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ফুটবোল এসোসিয়েসন / ওর্গনাইজেসন কয়া অমমুক এফিলিয়েট তৌদুনা ফুটবোল মশান্না চাওখৎনবা মথং মথং হোৎনমিন্নরক্লিবনি।

লৈঙাক্কী শান্নবগী ওইবা দিপার্টমেন্ট লৈজরবসু অম্ফা অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শকখঙলবা নোদেল এজেন্সি অমনি। লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা ফুটবোল মেটচ অমা নৎত্রগা অচৌবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোক্কে হায়রবদি অম্ফাগা খূৎশম্ননা চৎতবা য়ারোই। মসিমক্না লৈঙাক্না অম্ফাবু ইকাই খুম্নবীবা তাই অদুগা অম্ফানসু খঙনা লৈঙাক্কা খূৎশম্ননা চৎমিন্নবা তাই, চৎমিন্নরবতদা ফুটবোল চাওখৎপা পুরকপা ঙমগনি নৎত্রবদি ঙগ্নোই হামু হামু তাদুনা লৈগনি।

মতম অমদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন অসি লৈঙাক অমসুং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল এসোসিয়েসনগা য়াম্না নকশিন্না চৎমিন্নখিবগী মমি তাখি। মদুগী মহৈনা ভারততা বেঙ্গলনা দোমিনেট তৌরম্বা ফুটবোল মশান্না ঙসিদি মণিপুরসু খুম্মাঙ চাওশিন্না শান্নবা ঙমদুনা ভারতকী টিম শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শরুক য়াবা ঙল্লিবনি। তশেংবমক মণিপুরী মচাশিং পোটেন্সিয়েল লৈবা মচা ঙাক্তা ওইবনা মরম ওইরগা ভারতকী ওইনা লৈরিবা অচৌ অচৌবা প্রোফেসনেল ক্লব / ওর্গনাইজেসন অমদি প্রাইভেট কম্পনি কয়ানা ভারত অসি ফুটবোল পৱার হাওস ওইনবা হোৎনরক্লিবা অসিদা মতেং পাঙনবা হোৎনরকপা মতমদা গ্রাস রুটতগী হোৎনবা নৎত্রবদি য়ারোই হায়বা মীৎয়েংদগী গ্রাস রুট লেবেলগী অঙাং থিরকপদা নোর্থ ইষ্টতা মীৎয়েং থমদুনা অহানবদা মণিপুর অমসুং মীজোরামদা শান্নরোই অঙাংশিং থিবগী প্রোগ্রাম মণিপুর কয়া লেপ্তনা চত্থবগী ফিভমদা লাক্লি।

মতাং স্বাইদা থম্বা য়াবা ৱাফম অমদি লাক্লিবা খুদিংমক লন্নাই ওইনা লাক্লবসু নৎত্রগা এ আই এফ এফকী খুত্থাংদা ওইনা লাক্লবসু লমদমসিগী ফুটবোল মশান্নগীদমক লেপ্লিবা অম্ফাগী খূত্থাং দা থবক থৌরম খুদিংমক পাঙথোকপা ওইগদবনি হায়বসি অম্ফানা অচেৎপা ফিরেপ অঅমা লৌদুনা লমদমসিদা লৈরিবা ক্লব। ওর্গনাইজেসন্দা নৎতনা মীপুম খূদিংদা খঙহনগদবনি। মীপুম খূদিংনা নৎত্রগা ক্লব। ওর্গনাইজেসন কয়ানা লন্নাই ওইবা মওংদা অপাম–পাম্বা কুশি রাসি তৌদুনা চৎথখ্রবদি ফুটবোল মশান্নগীদমক লমদমসিগী ওইনা অম্ফানা এপেক্স বোদী অমা ওইনা লৈরুবগী করি অর্থ থোক্লিবগে–? অম্ফা অসি পূম্নমক্না লুম্না লৌদুনা ইকাই খুম্নগদবনি।

খরা শান্না য়েংবা মীৎয়েংদা ভারতনা ফুটবোল পৱার হাওস ওইনবা হোৎনরক্লিবা অসিদা অঙম্বা মতেং পাঙবা ওইনা টাটা কম্পনিগী মখাদা লৈবা টাটা ট্রষ্টনা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাঙ চহীদগী মণিপুর অমসুং মীজোরামদা মীৎয়েং থমদুনা গ্রাস রুট লেবেলদগী পোটেন্সিয়েল লৈবা অঙাংশিং থিদুনা শেম্বগী খোঙথাং লৌখৎপা হৌরক্লি। ফুটবোল শান্নবা পামজবা অঙাংশিংগীদমক্তা য়াম্না লাইবক ফবনি। নোর্থ ইষ্টতা পায়খৎপা অহানবা খোঙথাং ওইনা টাটা ট্রষ্টনা সেন্টর ওফ এক্সেলেন্স ফোর ফুটবোল একাদেমী অমা মীজোরাম লৈঙাক অমসুং মীজোরাম ফুটবোল এসোসিয়েসন্না খূৎশম্নদুনা ওগষ্ট ৩, ২০১৮ দা পোলিস হেদক্বার্টর, খটলা আইজোলদা এগ্রিমেন্ট (এম ও য়ু) খূৎয়েক পীনদুনা চহী ১২দগী ১৪ গী মনুংদা লৈবা নুপামচা ফুটবোল শান্নরোই ২৫ খনগৎতুনা স্কুল ইদুকেসন য়াওনা ফুটবোল কোচিং পীবা হৌখ্রে। সেন্টর অসিদা লৈরিবসি লোকেলদগী ১৬, অসামদগী ৪, মণিপুরদগী ৪, নগালেন্দগী ১ পুন্না ২৫নি। ফুটবোল দিভলপমেন্ট, ফুটবোল মেনেজমেন্ট পূম্নমক্কী অচঙবা শেনফম টাটা ট্রষ্টনা পুথোক্তুনা লিশাং শিংনা হোৎনগদৌরিবনি লোয়ননা হেন্না ফবা শান্নরোই য়ুরোপকী স্পেনদা লৈবা এটলেটিকো মাদ্রিদ ফুটবোল একাদেমীদা অমুক থাবগী পান্দম থল্লিবনি। হৌজিক হৌজিক মণিপুরী মচা ৫ য়াওনা শান্নরোই ১০ একাদেমী অসিদা ত্রেনিং য়াওরিবনি। টাটা ট্রষ্টকী অশাংনবা মীৎয়েংনি, অফবা খোঙথাংনি।

অসিগুম্বা টাটা ট্রষ্টনা পায়খৎলক্লিবা ফখ্রবা খোঙথাং অসি মণিপুরদা অহানবা ওইনা হাংদোকপা পাল্লমবসু

## এল. কালা উরিপোক

ওইরম্বা য়াই অদুবু মীওইবনা উদ্রিঙৈদা, থেংনদ্রিঙৈদা তাবগা খঙবগা হকথেংননা উরকান্দা থেংনরকান্দা খঙলকপা অনৌবা জ্ঞান অমনা মরম ওইরগা ট্রষ্টকী মীৎয়েং খরসু নিংহন্নবা তৌখ্রবজংলা–? ট্রষ্টকী অপাম্বদি লৈঙাক্না রিসিদেন্সিয়েল একাদেমী অসি হাংনবা মফম পীবীবা লোয়ননা শান্নবুং পীবীবা অনীখকসিদনি। লৈফম খঙদে শান্নবুং খঙদে মফমবু পীরবদি দিভলপমেন্ট অমদি মেনেজমেন্টকী থবক্কী ওইবা অচঙবা শেনফম মখোয়না পুথোকচদুনা মখোয়গী লৈজরিবা ইঞ্জিনিয়ারিং সেক্সননা লোয়না তৌজবা অসিনি। টাটা কম্পনিগী ওইনা অচৌবা ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট অমা লৈজরিবনি। লমদমসিগী হৌগৎলক্লিবা শান্নরোইশিংগীদমক্তা টাটা ট্রষ্টনা খুদোল অমা ওইনা হোৎনগে হায়বসিদা লৈঙাক্না অহৌবমক্তদা মীনা য়ানিংলোইদবা পাল্লোইদবা করিগুম্বা খরা তৌখিবা লৈবগুম মান্দুনা থবক পাঙথোক্লবা হোৎনরকপদা থেংথহনখিবা হায়বসি লৈঙাক্কী অচুম্বা খোঙথাং ওইদে। অদুগা অতোপ্পা ৱাফম অমনা টাটা ট্রষ্টনা অসিগুম্বা খুদোংচাবা অমা লৈরে হায়দুনা সি এম ওফিসতা দাইরেক্লি এপ্রোচ তৌরকপা মতমদা সি এম ওফিসনা অহানবদা অম্ফাগা তান্ননবা শীনবীদবা করিগীনো–? য়াদে হায়বদি নত্তে অদুবু অম্ফা হায়বসিসু লমদমসিগী ফুটবোল দিভলপমেন্টকীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ইকাই খুম্নফম ওইরিবা বোদি অমনি। অম্ফাদা থাজদবা মীৎয়েং থম্বা চুম্লোই। পুম্নমকপু শুপচিনবদি কোনশিনবদি লৈঙাক্না ঙমই হায়দুনা অম্ফা মীরাইবীরম্লগা টাটা ট্রষ্টনা লমদমসিদা চহী ৬ তগী ১৪ অঙাংশিং টাটা ট্রষ্ট স্পোর্টস সেন্টর ৩০, লোকেল কম্ম্যুনিটি অমদি লোকেল ক্লবশিংগা খূৎশম্নরগা হাংদোক্লিবা অসিগী অয়াবা পীবসিমদি ফনা ফবা ওইরবসু অচুম্বা খোঙথাংদি ওইরে, অম্ফাবু তান্নহলমদবা হায়বসি। অরোইবদা লৈঙাক্কীদি মফমদমক পীরগা লোইরে, মীনা পুথোক্লগা মরনাই শেমজিন শাজিনবগী থবক্তদি চমম্নহল্লোইদবনি।

# সাথিয়ান অমদি অমলরাজনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে

*মেলবর্ন, জুলাই ১২(এজেন্সি)ঃ*
ইন্দিয়াগী পেদ্দলর জি সাথিয়ান অমদি এন্থোনি অমলরাজনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবর্নদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড টুর প্লাটিনম ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী দবলসতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রে।

জি সাথিয়ান অমদি এন্থোনি অমলরাজনা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী পেয়র জিউং য়ংসিক অমদি লি সাংসুগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম অহুম ১২–১৪, ৯–১১, ৮–১১ দা মায়থিহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি।

ইন্দিয়াগী জি সাথিয়ান অমদি এন্থোনি অমলরাজনা ঙসি ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা মেডল ওইরি।

নীংশিংবা য়াই জি সাথিয়ান অমদি এন্থোনি অমলরাজনা মমাঙদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী অতোপ্পা পেয়র জাং ৱুজিন অমদি লিম জোংহুনবু ৫–১১, ১১–৬, ১৪–১২, ১১–৮ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী জি সাথিয়ান অমদি সরাথ কমাল অহুমশুবা রাউন্দগী ক্বালিফায়িং মেটচশিংদা মায়থিদুনা লৈহৌখিবনি।

# টুনিসিয়া অমদি অলজেরিয়া অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্স ফুটবোলগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*কাইরো, জুলাই ১২(এজেন্সি)ঃ*
ইজিপ্তনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ দা টুনিসিয়া অমদি অলজেরিয়া মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুনিসিয়ানা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মাদাগাস্করবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুনিসিয়া অমদি মাদাগাস্করনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নরকপদগী অহানবা হাল্ফকী মতমশিং অদু শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টুনিসিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৫২শুবা মিনটতা টুনিসিয়াগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ফেরজানি সাসিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৬০শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা টুনিসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই য়োসেফ মসকানিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং ইনজুরি টাইমগী ৩শুবা



মিনটতা টুনিসিয়াগী শান্নরোই নাইম স্লিটিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু টুনিসিয়ানা মাদাগাস্করবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অলজেরিয়ানা আইভোরি কোষ্টপু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪–৩ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখি।

মেটচকী অপীবা মতমগী মনুংদা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ চন্নখি। অলজেরিয়াগ ফেগহোলিনা ২০শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অদুগা মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা আইভোরি কোষ্টকী শান্নরোই কোদজিয়ানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইহনখিবনি।

## ক্রোসৱার্দ ২১৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | C | A | B | | M | I | S | S | | O | N | E | A | L |
| C | U | J | O | | O | N | T | O | | H | E | L | L | O |
| A | B | A | N | D | O | N | E | D | | D | E | L | I | S |
| M | A | R | D | I | | E | V | A | D | E | | E | K | E |
| | | | | S | O | R | E | | E | A | R | N | E | R |
| D | I | S | M | A | L | | | D | A | R | E | | | |
| I | N | T | E | R | E | S | T | E | D | | L | U | M | P |
| S | T | O | R | M | | T | O | P | | C | O | R | A | L |
| C | O | P | E | | T | E | M | P | E | R | A | N | C | E |
| | | | S | L | O | W | | | R | E | D | S | E | A |
| M | O | R | T | A | R | | A | R | E | A | | | | |
| A | H | A | | S | N | O | R | E | | S | L | O | S | H |
| N | A | I | V | E | | V | E | N | G | E | A | N | C | E |
| O | R | D | E | R | | A | N | T | E | | S | C | A | R |
| R | E | S | T | S | | L | A | S | T | | S | E | N | D |


**COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR**

NOTIFICATION
Imphal, the 12th July, 2019

**No. 3(3)19/2012-HSC :- 5372**. It is hereby notified for information to all concerned that the Original Certificates of the Higher Secondary Examination (including Improvement Examination), **2016** may be collection from the office of the undersigned by the concerned head of the Institution or his/her authorised person w.e.f the **15th July, 2019** during office hours.

Sd/-
(Ch. Biren Singh)
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn.
Manipur.

SL/B(Council)/13